# শেন্দাল লম্বী অমা ওইনা কুইএল য়োকপা

- ডা. সরাংথেম জেসমারানি -

কুইএল ময়াম্না জপানিজ কুইএল হায়না খঙনরিবসি কা হেন্না লূম্বা উচেক নত্তে। মসি চাউরাক্লা গ্রাম ২৫০ লূম্মী অমদি চহী অমদা মরূম ২৫০-২৮০ মুক কোকই। জপানিজ কুইএলসি য়েংবদা লাবা অমদি অমোম ইরায় লায়না খন্দোকপা ঙম্মী। লাবা ওইরগনা মখোয়গী মথবাক্তা খরা পীকশিন্না ৱাওথাংনবা অমদি অমুবা মচুনা পাক্লা হৌবা থেংনবীগনি। কুইএলগী মরূমসি গ্রাম ১০ মুক্তমক লূম্বনিনা য়েরূম অমা লৈরগা চাবা ঙমদবা কাঙবুগীদি মসিনা মহুৎ শিন্দুনা চাবসু য়াই।

**কুইএল য়োকপগী কান্নবশিং ঃ** কুইএলসি য়াম্না ঙন্না মপুং মরৈ ফাই, হাপ্তা ৬ শুরগদি মশা চাবা য়ারে, য়াম্না পীকপা উচেক মখল অমা ওইবনা শেল চঙদনা মকোন শেম্বা য়াই, কুইএলসি য়েন ঙানুদগী হেন্না মহাও লৈ। মসিদা ফেটকী চাং য়াম্না হন্থে, কুইএল মরূমসি কোলেষ্টরোলগী চাং য়াম্না হন্থে। মরম অসিনা অহল, অঙাং খাক্তনা চাবা য়াই, কুইএল মরূমসি মশা অমদি মরূমগী ন্যুট্রেন্টস য়াম্না য়াওবা মরম্না চাজেনবী মমাশিংনা চাবা য়াম্না ফৈ।

**লৈনবা মকোন শাবা ঃ** কুইএলগী মচাসি হেক ওনবদা ঙাইরিবা মতমদদি মৈ নীংথিনা পীদ্রগদি শিবগী চাং য়াম্না ৱাংই। ওনবতা ঙাইরিবা কুইএলসি ঐখোয়না মৈশা পীনবা নীংথিনা শেম শাদুনা থন্বীগনি। অহানবদা ওনবদগী হাপ্তা অনী ফাওবদি কুইএল ১০০ গী ওইনা ৩ x ২.৫ x ১.৫ ফিট ওইগনি অমদি হাপ্তা ৩-৬ ফাওবগীনা কুইএল ৫০ দা ৪ x ১.৫ x ১.৫ ফিট ওইগনি। অহানবা হাপ্তা অমদদি মখোয়না থক্লবা ঈশিং পাত্রদা নূং হাপ্পীদুনা মশাদা ঈশিং চোৎহন্দনবা হোৎনবীগনি অমদি মচিঞ্জাকসু খরা খরা চাইথোক্লগা থন্বীগনি।

কুইএলশিং হাপ্তা ৩ ফারগদি মকোন অমগী মথক্তা অমা লোনখৎনরগা থন্বীবা য়াই। লোনখৎনরিবা মকোনসি টাইয়র হায়নসু খঙনৈ। টাইয়র অমদা কাখল মরি থোক্লা খাইদোক্লগা কাখল অমদা ৬০ সী এম x ৬০ সী এম x ২৫ সী এম ওইহন্দুনা কুইএল ২৫-৩৫ ফাওবা অঈং অশাগী মতুংইন্না থন্বীবা য়াই। কুইএল মশেল চিক্লদনবা মচিন অতুম্বদু হাপ্তা ৩ শুরগা ককথৎপীগনি। করিগুম্বা লৈমায়থক্তা ওইনা কুইএলশিং য়োকপীগে হায়রগদি মকোন মথক্তা হাপ্লিবা ৱাইশিংসি সী এম ৯ থানা হাপ্পীগনি। হাপ্তা ৫-৬ শুরক্লগদি মখোয়সি মরূম কোক্লগদৌরিবনিনা উচেক অমদা ১৫০-১৮০ স্কৱার সেন্টিমিটরগী জগাদা থন্বীগনি। কুইএল মচাশিং হেক ওনবগা পুং ২৪ মৈ পীবা মথৌ তাই। মশা চানবা মপূং ফারবা য়োনগদবা ওইরগদি নুমিৎ তরেৎনি ৱাৎলিঙৈদগী পুং ২৪গী মনুংদা পুং ৮ মৈ পীরগা পুং ১৬ পীদবনা হেন্না লূম্বা হেল্লি। পীগদৌরিবা মৈসি নুংশা মঙাল নীংথিনা ফংবা মফম ওইরগদি তোঙান্না মৈ পীদ্রগসু য়াই।

**মচিঞ্জাক পীজবা ঃ** কুইএল য়োকপদা ব্রোইলর মচিঞ্জাক পীজবা য়াই। মসিদা ব্রোইলর মচিঞ্জাক্তা চেঙকুপ/ৱাইরু অমদি অতোপ্পা মচল য়ানবীগে হায়রগদি মখাদা থমজরিবা অসুম্না য়ানবীগনি।

**টেবল ১ ঃ মচিঞ্জাক শেম্বা**

| মচল | ষ্টার্টর (kg/q) | লেয়র (kg/q) |
|---|---|---|
| ব্রোইলর মচিঞ্জাক | ৬০ | ৪৫ |
| চুজাক মকুপ | ২০ | ২৫ |
| চগেম | ২২ | ২০ |
| চেঙকুপ/ৱাইকুপ | ০৮ | ১৫ |
| থুম/ভিটামিন/মিনরেল | - | ০৫ |
| | ১০০ | ১০০ |

**টেবল ২ ঃ নুংতিগী পীজবগী চাং**

| মতম (হাপ্তা) | পীজগদবা চাং (গ্রাম) |
|---|---|
| ১ | ৫ |
| ২ | ২২ |
| ৩ | ১৫ |
| ৪ | ১৮ |
| ৫ | ২০ |
| ৫ অমদি মথক | ২৩-২৫ |

**মচা হেন্না ওন্নবা লাবা-অমোম থম্মীন্নবা :** মচা লৌনবা লাবা অমগা অমোম মঙাগী চাংদা থন্বীগনি। কুইলশিং হাপ্তা ৫-৬তগী মরূম কোকপা হৌরগসু মচা ওনবগী চাং ৱাংনা ফংনবা হাপ্তা ৮-১০ ফাওবগী মনুংদা লৌবনা হেন্না ৱাংই। মকোন মনুংদা কুইএলশিং য়াম্না চিন্না থন্বীরোইদবনি। নুংশিৎ নুংশা মরাং কায়বা মফম ওইগনি। করিগুম্বদা লাবগা অমোমগা তোঙান তোঙান্না থন্বীরগদি লাবা হাপ্লবা মতুং নুমিৎ ৪নি লৈরগা মচা কোন্নবা মরূম লৌবীগনি। মরূম নিংথিনা কোক্লবা মচিঞ্জাক কাঙলোন চুম্না নীংথিনা পীজবীগনি। মচাগীদমক্তা কোনগদৌরিবা মরূমশিং থম্বা মতমদা মতোন অতুম্বনা মনুংদা লৈহল্লগা খরা পাকপদুনা মথক থন্বীগনি। হাপ্তা অমা ফাওবগী মনুংদা লৈবা মরূমশিং কোন্নবা শীজিন্নবা য়াই। মরূমশিং কোন্নবা হাপখ্রবা মতুংদা মচা কোনবগী মতমসি নুমিৎ ১৭-১৮নি চঙই।

**কুইএল মচা শেন্নবা :** কুইএল মচা হেক ওনবগা মখোয়দা পীগদৌরিবা মৈশাগী চাংসি ২১-২৪° ফাওবনি। মসিদা নুমিৎ ৪/৪নি লৈরগা ২.৮° সেলসিয়স হন্থগনি। মফম অমগা অমগা অঈং অশাগী চাং খেন্নবগী মতুংইন্না খ্বাইদগী লায়বা মওংদি ঐখোয়না পীরিবা মৈশাসি ৱাৎলে হায়রগদি মৈ মনাক্তা পূন্না তাশিন্দুনা লৈবা উগনি। অমরোমদনা পীরিবা মৈশাদু হেনবা ওইরগদি কুইএলশিং লাপ্না লৈবা থেংনগনি।

**কুইএলগী মরূম ঃ** কুইএলনা হাপ্তা ৫-৬ শুরগদি মরূম কোকপা হৌরকই। অয়াম্বনা নুমিদাংৱাইরমগী মতমদা মরূম কোকই। মরূম অমনা গ্রাম ৯-১০ মুক লূম্মী। কুইএল মরূম অমদনা ঈশিংগী চাংনা ৭৪%, প্রোটিনগী চাংনা ১৩%, ফেটকী চাংনা ১১%, কাবোহাইদ্রেটকী চাংনা ১% অমদি মসিদা কোলেষ্টরোলগী চাং য়াম্না হন্থে।

**কুইএলগী মশা ঃ** শেমদোক্লবা কুইএল চাবা য়াবা শাদোংসি ৭০-৭৩% নি। লাবগা অমোমগা লূম্বগী চাংসি অমোম্না হেন্না লূম্মী।

**লায়না তীলনাদগী ঙাকথোকপা ঃ** কুইএলগী পুন্সিসি অঈং অশাগী মখা য়াম্না পোল্লি। মরম অসিনা ওনবদা ঙাইরিবা মতমদগী হৌনা চেকশিন থৌরাং কয়া অমা লৌবীবা, মৈ নীংথিনা পীবীবা য়াম্না মথৌ তাই। মখোয়গী লাইভ সাইকলসি য়াম্না তেনবা মরম্না হৌজিক ফাওবদি টিকা থাদোকপা নৎত্রগা তীল হীদাক থাবসি তৌদ্রি। মখোয়দা য়াম্না কম্মন ওইবা লায়না হায়রগদি মথি অঙাংবা ফাইবা, অঙৌবা ফাইবা অসি খরা থেংনৈ। মসিগী লায়ওংসি উরক্লগদি মনাক নকপা, অখঙ অহৈগা তানবীদুনা ঙন্না লায়েংবীহৌগনি। কুইএলসি য়েনগুম্না লায়না কয়া চেনগন্দে অদুবু খ্বাইদগী মরু ওইবদি চেকশিন্না লূ-নান্না য়োকপীবসিনা খ্বাইদগী মরু ওইবা থৌওং অমনি। মসি তৌবীরগদি শিবগী চাং হন্থবগা হেন্না শেন্দোং লৈনা লোয়বা ঙমগনি। ●

# পাম্বীশিংদা নাইট্রোজেন পীবা হিংকুপ খরা

– ডা. ৱাইখোম জিতেন –

পোত্থোক পুথোক্কদবা লম্না নোংম-নোংমগী পীকশিল্লক্লবসু চিঞ্জাক্কী দরকার ওইবদি নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লি। ওইরক্লিবা ফীভম অসি মায়োক্লনবগীদমক পায়খৎলিবা তোঙান তোঙানবা থৌরাংশিংগী মনুংদা খূৎশেমগী হার মখল কয়া অমা শীজিন্নরি। তোঙান তোঙানবা হারশিংগী মনুংদা নাইট্রোজেন য়াওবা হার অসিনা খ্বাইদগী য়াম্না শীজিন্নরি। শীজিন্নরিবা নাইট্রোজেন য়াওবা হারশিং অসি পাম্বীশিংনা য়াল্লবদা চাদা ৫০-৬০ ফাওবা লৌহৌরগা লেমহৌবশিং অদু অকোয়বদা মাঙখিদুনা ঈশিং নুংশিৎতা মোৎশিল্লি। অসুম্না মোৎশিল্লকপা অসিনা মালেম পৃথিবী অসি মীওইবা অমদি লেংলি পাল্লিবা জীবশিংনা হিংবদা খুদোংচাদবা মফম অমা ওইহল্লক্লি। ওইরক্লিবা খুদোংচাদবশিং অসিদগী খরা মখৈ হন্থহন্নবগীদমক নুংশিত্তা মরাং কায়না য়াওরিবা নাইট্রোজেনশিং অসি ফাজিন্দুনা পাম্বীশিংদা ফংহন্নবগী থৌরাং পায়খৎতবা য়াদ্রি। হৱাই মখলগী পাম্বীশিংনা রাইজোবিয়মগী মতেংনা নুংশিৎতগী নাইট্রোজেন ফাজিন্দুনা হৌরিবা পাম্বীশিং অমদি মতুং তাবদা হৌরক্কদবা পাম্বীশিংদা কান্নবা পী হায়বা অয়াম্বা মীয়াম্না খঙনরে। হৱাই মখলগী নত্তবা পাম্বীশিংদা নুংশিৎতগী নাইট্রোজেন ফাজিন্দুনা পীবা ঙম্বা হিংকুপ খরা পনবা তারবদি Azotobacter অমসুং Azospirillum পনবা য়াই।

পঞ্জখ্রিবা হিংকুপ মখল অনী অসি লৌফম অয়াম্বদা লৈজরবসু পাম্বীশিংদা কান্নবা পীবা ঙম্বগী মশীং শুনা লৈতবনা মরম ওইরগা মখোয়গী কান্নবশিং চপ চানা লৌবীগে হায়রবদি কৈথেলদা ফংলিবা হিংকুপ মখলশিং অসি য়াওবা হীদাক মখলশিং পাম্বী থাবদা তঙাইফদনা শীজিন্নবগী মতম য়ৌরে। Azotobacter শীজিন্নবগী কান্নবা অসি ফৌ, চুজাক, গেহু, মনা মশিং খুদম ওইনা তিলহৌ, খামেন, খামেন অশিনবা, কোবি অমদি Sugar beet নচিংবশিংদা চপ চানা ফংলবসু মনা মশিংগী মনুং চনবা পাম্বীশিংনা হেন্না কান্নহল্লি। Azotobacter না লৌ পরি অমা চহী অমগী মনুংদা নাইট্রোজেন কেজি ২০ চাংচৎতা নুংশিত্তগী ফাজিন্দুনা পাম্বীশিংদা কান্নবা ফংহল্লি।

Azotobacter তোৎলবা খামেন অশিনবা পাম্বীনা পীবা শাহৌ অদুগা পাম্বীশিংবু চাওহনবদা মতেং ওইবা Gibberelen কৌবা হীদাক তোৎলবা খামেন অশিনবগা মান্নে।

Azotobacter না পাম্বীশিংদা কান্নবা পীবা ঙম্বা তোঙান তোঙানবা হীদাক মখল কয়া অমা পুথোকপা ঙমই। অসিগুম্বা হীদাকশিংগী মনুংদা ভিটামিন বিগী কাঙলূপ, Auxin মখলগী পাম্বী চাওখৎহনবা ঙম্বা হীদাকশিং, Gibberellen কৌবা পাম্বী হোর্মোন মখলশিং, বাইওটিন, নিকোটিন এসিদনচিংবা পনবা য়াই। অমরোমদা অমুক এজোটোবেক্টরনা পুথোকপা হীদাক মখল খরা অমদি পাম্বীবু লায়না থোকহনবা ঙম্বা কোকফাই মখল খরবু মাঙহনবা ঙমই।

এজোটোবেক্টর তোৎলবা মরূশিংনা থুনা মতোন চোংবা ঙম্বগা লোয়ননা শাহৌ ফনা হৌহন্দুনা পোত্থোক চাথোক হেনগৎহনবদা মতেং পাংই।

চানাল অমসুং চুজাক পাম্বীশিংদা এজোটোবেক্টর অমসুং এজোসপিরিল্লম খক তোঙান তোঙান তোৎপগী পোত্থোক্তগীদি মখোয় অনীখক তোৎশিনবা চানাল অমসুং চুজাক্কী পোত্থোক্লা হেল্লি।

এজোসপিরিল্লমসু এজোটোবেক্টরগুম হৱাই মখলগী পাম্বীশিং নত্তবা মহৈ মরোং খুদিংনা থাবদা শীজিন্নৈ। অদুবু ঈশিং অদুম তুংদুনা লৈগদবা ফৌগুম্বা থাবা মতমদদি এজোসপিরিল্লমনা অতোপ্পা হিংকুপশিংদগী হেন্না মথৌ পাঙথোকপা ঙমই। এজোসপিরিল্লমনা নুংশিৎতগী নাইট্রোজেন কেজি ২০-৩০ লৌ পরি অমগী লৌফমদা ফাজিনবা ঙম্বগা লোয়ননা পাম্বীশিংবু থুনা চাওহনবা ঙম্বা হীদাক মখল (হোর্মোন) শিং পুথোক্তুনা চাথোক হেনগৎহনবদা মতেং পাংই।

মরূদা তোৎপগী মওং :- এজোটোবেক্টর নৎত্রগা এজোসপিরিল্লম অসি মৈতাল অমদি লৈবাক য়ানশিল্লবা পোৎলমশিংদা য়াওরগা লাকপা ওইরবদি মরূ কেজি অমদা অশেম্বা পোৎলম গ্রাম ২০দা ঈশিং খরা হাপ্লগা শেম্বা মোলমগা তোৎশিন্নবীরগা মচুম লাংশিল্লক্লবা মতমদা থাবীগনি। অদুগা করিগুম্বা চারা শেম্লগা লৈবা পাম্বীশিং থাদোকপীগদবা ওইরবদি হিংকুপশিং অদু য়াওরবা মফোল অদু ঈশিংদা নং-নং লাওনা থিৎপীরবা মতুংদা থাগদৌরিবা পাম্বী অদুগী মরা অদু মিনট ১০-৩০ ফাওবগী চাংদা তিংবীরগা থাদোকপীগনি।

করিগুম্বা হিংকুপশিং অসি য়াওবা হীদাক অদু মহি ওইনা লাক্লবদি ঈশিং লিটর অমদা হিংকুপশিং অদু য়াওরবা হীদাক মহী মিলিলিটর অনী হাপ্পীগনি অমদি থাগদৌরিবা মরূ অদু পানা শন্দোক্তুনা থম্বীরগা পম্প অমগী মতেংনা চাং মান্ননা কাপ্পীগনি অমদি মরূশিং অদু ওৎপীদুনা মথক মখা ওন্থোকপীরগা চোৎহৌদবশিং অদু চোৎনবা পম্পনা কাপ্পীরবা মতুং উরূম অমদা মচুম লাংশিন্দ্রি ফাওবা থম্বীরগা থাদোকপীগনি। করিগুম্বা চারা ওইনা লিংথোকপীগদবা ওইরবদি মথক্তা শেমখিবা হীদাক মহি অদুদা থাগদৌরিবা চারা অদু মিনট ১০-৩০ ফাওবা তিংবীরবা মতুংদা থাবীগনি। মওং অমা নৎত্রগা মওং অমদা হিংকুপশিং অসি য়াওবা হীদাক তোৎলবা মরূ অমদি চারাশিং শাংলবদা পুং ২৪গী মনুংদা থাদোকপীগদবনি।

খূৎশেমগী হারশিং অসি খরা খরা হন্থহন্দুনা পোত্থোক পুথোকপদা খূৎশেমগী হার য়াওদবা লৌউ কাঙলোন অমা লাক্লবা হোৎনবদা মহৌশাদগী ফংলিবা পাম্বীশিংদা কান্নবা পীবা ঙম্বা হিংকুপশিং অমদি অতৈ অতোপ্পা পোৎলমশিং শীজিন্নবদা পূক্নিং চঙবা মতম য়ৌরে। মরম অদুনা খূৎশেমগী নাইট্রোজেন য়াওবা হার শীজিন্নবগী চাং হন্থহন্নবগীদমক তোঙান তোঙানবা মহৈ-মরোংশিংদা নাইট্রোজেন পীবা ঙম্বা এজোবেক্টর অমদি এজোসপিরিল্লমগুম্বা হিংকুপশিং য়াওবা হীদাক মখলশিং লৌউ-শিংউবদা শীজিন্নবদা পূক্নিং চঙলসি। ●

## ষ্টেটকী পাউ

# মণিপুরী য়ুথস ফ্রন্ট, অসামনা য়ূম্নাম প্রিয়াঙ্কা তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৩ (ঐচএনএস) : হন্দক অসাম পব্লিক সর্ভিস কম্মিসন (এ পি এস সী) না লৌদুনা পাঙথোকখিবা কম্বাইন্দ কম্পিটিটিভ এগজামিনেসন, ২০২০দা ৯২শুবা রেঙ্কতা মায় পাক্লকখ্রবী য়ূম্নাম প্রিয়াঙ্কাবু মণিপুরী য়ুথস ফ্রন্ট ওফ অসাম (এম ৱাই এফ এ) ন পৈলাপুলদা লৈবা মশাগী য়ূমদা তরাম্না ওক্তুনা পূক্নিং থৌগৎপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

মহাকপু তরাম্না ওকপগী থৌরম অদুদা ফ্রন্ট অসিগী প্রসিদেন্ট থাংজম ব্রোজেন, সেক্রেটরি জেনরেল সোরাম থোইবা, ফ্রন্ট অসিগী লখিপুর ব্রাঞ্চকী জেনরেল সেক্রেটরি ইঙুদম রঞ্জিৎ, এদভাইজর সেরাম হেরাজিৎ অমসুং য়ুনাইটেদ য়ুথস ক্লব বিনাকান্দি পার্ট-১গী প্রসিদেন্ট হাওবম রঞ্জিৎসু শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা ফ্রন্টকী মায়কৈদগী য়ূম্নাম প্রিয়াঙ্কাদা লেংয়ান ফি অমা অমসুং লৈ খুদোল তমখি। অদুগা য়ুনাইটেদ য়ুথস ক্লবকী প্রসিদেন্ট হাওবম রঞ্জিৎনসু লেংয়ান ফি অমা য়ানবীদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখিবগা লোয়ননা মহাক্কী পুন্সিদা তেক্তা কায়দনা নুংঙাই য়াইফনা মীয়ামগী থৌগল তৌবা ফংহনবীয়ু হায়না মপুগী মফমদা থৌনিজখি।

# এদ্যুকেসন মিনিষ্টর টি ঐচ বসন্তকুমারনদি এস টি দি সী এমগী...

*লামায় ১গী মখা...* মেমোরেন্দম অদু লৌশিল্লবা মতুংদা মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা মণিপুরদা খুন্দারিবা য়েলহৌ ফুরুপ অমা ওইরিবা মীতৈ/মৈতৈ অসি ঙাক্তুনা থমগে অমদি চাওখৎহনগে হায়রবদি দিমান্দ অসি য়াম্না মরু ওই হায়বা ৱাফম ফোঙদোরকখ্রে।

মহাক্লা দিমান্দ অসিবু মপূং ফানা সপোর্ট তৌরিবগী মরমদি লমদমসিগী কলচর ঙাক্তুনা থম্নবা অমদি ঐখোয়গী পুৱারীশিং ঙাক শেনবা ঙম্নবা য়াওরি। হায়রিবা ফেক্টর ১/২সি খক নত্তে, মরম য়াম্না লৈ। চাওখৎপনা খম থেংলবা ২১শুবা চহী চাসিদা ইকোনোমিকেল্লি এদভান্স ওইদবা য়াদ্রবনি। ইকোনোমিক এদভান্টেজশিং ফংগে হায়রবদি তাল্লিবা দিমান্দ অসি য়াম্না মরম চাই। কম্পিটিটিভ ৱর্ল্ডসিদা ফুরুপ অসিগী হৌগৎলক্লিবা নহাশিংগী খুদোংচাবা হেন্না ফংহনবা ঙম্নবগীদমক তাল্লিবা দিমান্দ অসিনা হেন্না মপূং ফানা ফংহনবা ঙমগনি হায়খি।

লোয়ননা দিমান্দ অসি মরম চারবদি য়ুথশিং অমদি খুন্নাইসিগী তুংগী য়ূম্বীরেলশিংদা কান্নবা কয়া চাওনা পীবা ঙমগনি অমসুং অফবা ওইগনি অদুবু দিমান্দ অসি অপূনবগী ওইনা ৱারেপ অমা মথৌ তাবনা করিগুম্বা মতাংসিদা খন্নবা-নৈনরকপা মতমদসু মহাক্কী মায়কৈদগী শোয়দনা সপোর্ট তৌগনি হায়বা ৱাফম ফোঙদোরকখ্রে।

অমরোমদা, মিনিষ্টরনা চৎলিবা থা অসিগী ৩১ ফাওবগী মনুংদা ওজাশিং রেসনেলাইজেসন তৌগনি হায়খিবা অদু স্কুলশিংগী মীদ টর্ম এগজামিনেসন পাঙথোক্লরিবনা মাস স্কেলদা রেসনেলাইজেসন তৌবগী খুদোংচাদবা লৈ। মশীং য়াম্না লৈবা স্কুল অমদি হায়র সেকেন্দরি ওজা/লেকচররশিং লৌথোক্লবা হোৎনগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

লোয়ননা লৈঙাক্কী স্কুল ফগৎহনসি মিসনগী মখাদা লৈবা স্কুলশিংগী ওইনদি মপূং ফানা ফগৎহন্নবা হোৎনগনি অমদি হৌজিক ৱাৎতুনা লৈরিবশিং মেনখৎনবা হোৎনদুনা ওজাশিংগী খুদোংচাবা য়েংলগা রেসনেলাইজেসন তৌগনি হায়বা ৱাফমসু ঙসি মঙোন্দা এস টি দি সী এম অমসুং লূপশিংনা মেমোরেন্দম পীশিল্লম্বগী খুদোংচাবা লৌরদুনা ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থোমজিল্লোয়শিংনা মিনিষ্টরদা মেমোরেন্দম পীশিন্দ্রিঙৈগী তাঞ্জাদা এস টি দি সী এমগী ৱিমেন ৱিংগী কনভিনর আর কে থরাকসনানা ফোঙদোকখিবদা এস টি দি সী এমনা শাংলবা চহী ১০ রোমগী মমাঙদগী মীতৈ/মৈতৈবু ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী ঙাকলৌ পীদুনা এস টি লিষ্টতা চন্নবা খোঙজং চঙশিল্লকপা অসিদা অসুক কুইনা মতম লৌরিবসি করি মরমগীনো হংখি। ঙরাং নহানসু লৈবাক অসিগী ষ্টেট খরদা ফুরুপ খরা এস টি লিষ্টতা চলহনখিবা লৈরে হায়খি। মরম অদুনা মণিপুরদা থোরক্লিবা ইস্যু খুদিংমক থিন্থবা, মীয়ামগী ইহুল খঙদনা থম্মোয় কায়হনবা অমসুং শোকহনবগী থবক লৈঙাক পায়রিবা মপি মপা ওইবশিংনা তৌরিবা করি মরমগীনো হংখি। পূন্নমক অসি মীতৈ/মৈতৈবু কন্নবগীদমক্তনি। মশা মশাগী কান্নবা খক য়েংলগা দিমান্দ অসি তাল্লকপা নত্তে হায়খি।

লোয়ননা লমদমসিদা খুন্দারিবা মীয়াম পূন্নমক অমদি ফুরুপ কাঙলূপ ময়াম্নসু তাল্লিবা দিমান্দ অসি মীতৈ/মৈতৈ খক্তগী নত্তে। লৈবাক অসিগী ষ্টেটশিংদা পীকখ্রবা ফুরুপ অসিনা জেনরেলগী থাক্তা লৈরি। চীংগী লমশিংদি 'সেদ্যুল্ড লেন্দ' পীদুনা প্রোটেক্সন ফংলি। অদুবু পীকখ্রবা ফুরুপ অসিগীদমক্তদি প্রোটেক্সন ফংদনা লৈরি। মণিপুরদা ঐখোয় ময়াম পূন্নমক নুংশি চান্ননা হিংমিন্নবা অমদি পূন্না ঙাক শেন্দুনা থম্বদা অপূনবগী থৌদাং লৌমিন্নরসি অমসুং ৱাখল তামিন্নরসি হায়খি।

আর কে থরাকসনানা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা লমদমসিদা খুন্দারিবা ফুরুপ কাঙলূপ পূন্নমক্লা য়েৎপীনীংবা অমদি য়েৎকে হায়না খল্লিবশিং থাদোকপীয়ু। মীতৈ/মৈতৈ হায়রিবা ফুরুপ অসিগী ফংফম থোকপা হক অদু তানবনি। খোঙজং অসি অদুমক লেপ্তুনা চঙশিনখিগনি। হৌজিক এম এল এ/মিনিষ্টরশিংদা মেমোরেন্দম পীশিনবা অসিনা লোইবা নত্তে। দেমোক্রেটিক ওইবা খোঙজংশিং চঙশিল্লক্লিবা অসিদা লৈঙাক্লা রেকমেন্দেসন থাবীদবা তারবদি মসিদগী হেন্না অকনবা মখা তাবা খোঙজংশিং লেপ্তুনা চঙশিনগনি হায়খি।

হৌজিক ফাওবগী ওইনা এম এল এ/মিনিষ্টরশিংদা মেমোরেন্দম পীশিল্লক্লিবশিংগী মনুংদা পোজিটিভ রেসপোন্স পীরকপশিং অপেনবা পোকই অদুবু শীংজমৈ এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এসু ওইরিবা মাহুদ মিনিষ্টর ৱাই খেমচান্দ উন্নবা ফংদনা হল্লকখিবা অমদি ঙসি ফাওবদা মহাক্কী মায়কৈদগী রেসপোন্স অমত্তা পীরক্তবা অসিদি লাইবক থীবনি হায়খি।

ঙসিগী খোঙজং অদু তোঙান তোঙানবা লূপ ৯গী থৌমী ৭০ রোম্না শরুক য়াখি। খোঙজংগী মনুং চন্না টিদ্দিম লম্বীদা হ্যুমেন চেন শেমদুনা মীতৈ/মৈতৈবু এস টি লিষ্টতা চলহন্দুনা কন্সটিট্যুসনগী ওইবা ঙাকলৌ পীগদবনি। লৈঙাক্লা অথুবা মতমদা রেকমেন্দেসন থাবীয়ু অমদি ফুরুপসিগী লম কনগদবনি হায়বা খোল্লাউশিং লাউখি।

ঙসিগী খোঙজংদা শরুক য়াখিবা লূপশিংগী মনুংদা দি পি য়ু ভি ও, ৱামা, এ এম এস জি ও, দল্লিয়ু এ এস ঈ দি ঈ ভি, দেসাম, এম য়ুগী মীতৈ ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন, ইকল, কে কে এল অমসুং এস টি দি সী এমগী থৌপুবশিংনি।

লোয়ননা ঙসি মিনিষ্টরদা পীশিনখিবা মেমোরেন্দম অদুদা পনখিবা ৱারোলশিংগী মনুংদা মীতৈ/মৈতৈবু কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ৩৪২ (১) গী ঙাকলৌ পীবদা লৈঙাক্লা অচৌবা থৌদাং লৌগদবনি। মে ২৫, ২০১৩দা মতমদুগী য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা মীতৈ/মৈতৈবু এস টি লিষ্টতা চলহন্নবগীদমক রেকমেন্দেসন থারকউ হায়বা ৱাফম মণিপুর লৈঙাক্তা খঙহল্লকখিবা লৈখ্রবনি অদুবু হৌজিক ফাওবদা ফুরুপ অসিগী ইথনোগ্রাফি অমসুং খ্বাইদগী থেংবা সোসিও ইকোনোমিক সর্ভে রিপোর্টনচিংবা থাদবনা মরম ওইরগা এস টি লিষ্টতা চলহল্লক্তবনি হায়খি। ফীভম অসিদা অদুমক মখা তানা চথরগদি পোলোইদদি মীতৈ/মৈতৈ হায়রিবা ফুরুপ অসি মাইনোরিটি তারকপগা লোয়ননা ঐখোয় ইশাগা হৌদোকমিন্নরকপা মণিপুরদা রিফ্যুজি ওইরকপগী ফীভমদা লৈরে হায়বা ৱাফমসু পনখি। মরম অসিনা পন্থবা তৌদনা মণিপুরগী য়েলহৌ ফুরুপশিংগী অপাম্বা মতুংইন্না মীতৈ/মৈতৈবু এস টি লিষ্টতা চলহন্নবগীদমক লৈঙাক্কী মায়কৈদগী থাফম থোকপা রেকমেন্দেসন থাবীয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি।

# খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলশিংগী মমিংশিং...

*লামায় ১গী মখা...* মহৌশাগা মান্নদনা হৌজিক পাঙথোক্কদৌরিবা মণিপুরগী খ্বাইদগী চাওবা নিংঙোল চাক্কৌবা কুম্মৈগীদমক মায়কৈ কয়াদগী কুম্মৈ অসিগা মরী লৈনবা ফি-রোল, কোল-লিক, অরং-অরাক্কী লৈতেংশিং য়াওনা চান-থক্লবা পোৎলম কয়া লৈবা লাক্লরিবা মীওইশিংনা নুমিদাংগী মতমদা কৈথেল শঙ অনীসিগী অশেংবা মমিংশিং মপূং ফানা উবা ঙমদ্রে/ফংদ্রে হায়রি। নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরম খক্তা নত্তনা মথং থাদদি ষ্টেট অসিগী খ্বাইদগী চাওবা মণিপুর সঙাই ফেষ্টিবেল, ২০২২সু নুমিৎ ১০নি চূপ্না পাঙথোক্কদবনা কৈথেল শঙশিং অসিসু ফেষ্টিবেল অসিবু য়েংবা লাকপা মীওইশিংগী মীৎয়েং চিংশিনফম ওইগদৌরিবনি। মরম অসিনা নুমিৎ হেক তাখিবগা কৈথেল শঙশিং অসিগী মমিংশিং মপূং ফানা মীয়াম্না উবা ফংদ্রিবসিগী থৌদাং করম্বা লোয়শঙনা লৌগদগে নৎত্রগা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসননা লৌদুনা বল্ব চাকখিবা নৎত্রগা কায়দুনা অমাঙ অতা থোকখিবা য়াওরবসু মহুৎ শিঞ্জিন্দুনা অয়ূক অমসুং নুংথিলগী মতমদা উবগুম্না কৈথেল শঙ অনীসিগী মমিংশিং মপূং ফানা উহনবগী থবক কনানা তৌগদগে হায়বা ৱাহংসু হংনরক্লি।

# নেসনল কম্মিসন...

*লামায় ১গী মখা...* শীজিন্নদুনা ওফিসল মঙাবু কম্মিসনদা মশা লাক্লবা নৎত্রগনা মহুৎ শিনবা মীওই অমা থারক্লবা সমন নোটিসশিং ইস্যু তৌরগনি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোরক্লে হায়রি। লোয়ননা নেসনল কম্মিসন ফোর সেদ্যুল্ড ট্রাইবসকী দেপ্যুটি দিরেক্টরনা থোরকখিবা নোটিস অসিগী কোপি অমমম কম্মিসনদা অইবা চেরোল পীশিনখিবা দোঙ্খোজাং হাওকিপ অমসুং থাংলোং কবুই খোংলোং-২গী কম্মিটি ওন প্রোটেক্সন ওফ ট্রাইবেল এরিয়াজগী চেয়রমেন গাওথাওরেল গাংমৈদসু পীরকখি হায়রি।

# আয়ুরবেদগী লাই 'ধনবন্তরি'দা...

*লামায় ১গী মখা...*লায়েং পথাপ অসি য়াম্না নেচরেল ওইবদা নত্তনা অতোপ্পা সিষ্টমশিংগা মান্নদবা মওংদা চখবা লায়েংগী মখল অমনি। লায়েং পথাপ অসিমক শেল য়াম্না চঙদবা অমসু ওইরি হায়খি।

অনাবা অমবু মপূং ফানা লায়েংদুনা ফহনবা ঙম্বা লায়েং পথাপশিংগী মনুংদা আয়ুসকী লায়েং অসিসু অমনি। লায়েং পথাপ অসি মালেমগী থাক্তা লমজেল তান্নরকপা মতম অসিদা ঐখোয়না দিষ্ট্রিক্ট লেভেলদা চেল্লগা লৈরবদি মতৌ করম্না লায়েং পথাপ অসি মীয়াম্না খঙবা ঙমগনি হায়রদুনা আয়ুসকী লায়েং পথাপ চাওখৎহনবা হায়বসি ঐখোয় খুদিংমক্কী থৌদাং ওইগদবনি হায়খি।

ঐখোয়গী অকোয়বদা ফংলিবা হৈ-রাশিং চারগা হকচাংগী ইম্যুন সিষ্টম কনখৎহল্লগা ঐখোয়গী হকচাংশিং ফিট ওইদুনা লৈরগদি নুংঙাইগনি। হৌজিক ভেজিটেবল অমদি হৈ-রা চাননবগীদমক থাবগী কান্নবা অদু মীয়ামদা খঙহল্লসি। ঐখোয়না চারিবা চিঞ্জাক কয়া অসিদা অনাবা কয়া ফহনবা ঙম্বগী মচাক য়াম্না য়াওরি। আয়ুরবেদিক ট্রিটমেন্ট তৌসি অদুগা মসিগী কান্নবা মীয়াম পূন্না লৌমিন্নসি হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা ষ্টেট আয়ুস সোসাইটিগী মেম্বর সেক্রেটরি এম শ্যামজাইনা ময়ায় তাংবল লৌরগা হেল্থ সর্ভিসেসকী সেক্সন ওফিসর নন্দকুমারনচিংবনা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইখি।

থৌরমগী মনুং চন্না হিন্দু লাইনীংগী আয়ুরবেদগী লাইনি থাজনরিবা 'লোর্দ ধনবন্তরি' গী শক্তমদা লৈ-শু কৎতুনা খুরুমখি।

